## বি এস এফনা লেন্দমাইন থেংনখ্রে

জম্মু, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)না নোংমাইজিং নুমিৎতা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) পরিংদগী লেন্দমাইন অমা রিকোভর তৌখ্রে।

বি এস এফ সোর্ছশিংনা ফোঙদোরকপদা, বি এস এফকী টিম অমা অখন্ননা ত্রেন তৌরবা 'জুলিএট' কৌবা স্নিফর হুই অমগা লোয়নননা এল ও সী মনাক্তা পেট্রোলিং তৌখি। হুই অদুনা অকক্লবা মফম অদা পুনশিন্দুনা লৈখি। মদুনা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী মেনধার এরিয়াগী মনুং চনবা মফম অদুদা এক্সপ্লোসিভ মেটেরিএল লৈরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবা পোকহনখি।

মফম অদু খুদক্তা কোইশিন্দুনা থমখি অমসুং চিংনিংঙাই ওইবা অকক্লবা মফমদুদা থি হুন্বা চথুখি। মদুদা লেন্দমাইন অদু থেংনখি।

সোর্ছশিংগী মতুংইন্না ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ঙাক্না লেন্দমাইন অদু লৌথোকখি। লেন্দমাইন অদু করম্না মফমদুদা য়ৌখিবনো হায়বা খঙনবা থিজিনবগী থবক হৌখ্রে।

অমরোমদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী সম্বা দিষ্ট্রিক্টতা দ্রোনশিং ওইরম্বা য়াই হায়না চিংনবা অপাইবা পোৎশক ৪ উখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি। পোৎশকশিং অদু থাংজ অমসুং নিংথৌকাবগী লোন্নবা অহিংদা উখিবনি।

## সী জে এমনা কৃষ্ণ তুরেলগা মরী লৈনবা কেস হিয়রিং তৌবা ঙম্লোই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে



ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

চীফ জষ্টিস এন ভি রামানানা কৃষ্ণ তুরেলগা মরী লৈনবা অন্ধ্র প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী প্লি হিয়রিং তৌবা ঙম্লোই হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখ্রে।

টেলঙ্গনা গভর্ণমেন্টনা থক্লবা অমসুং ঈথৈ-লৌখোংদা শীজিন্নগদবা অন্ধ্র প্রদেশকী ঈশিং শরুক পীবিদে অমসুং থৌওং অসি অনকন্সটিট্যুসনেল অমসুং ইলিগেল ওই হায়দুনা হিরম অসিগী মতাংদা মীৎয়েং চংবীনবা তকশিন্দুনা অন্ধ্র প্রদেশ গভর্ণমেন্টনা প্লি অদু থাখিবনি।

জষ্টিস রামানানা হায়, মেট্টর অসি ঐহাক্না হিয়রিং তৌবা পামদে। ঐহাক ষ্টেট অনীমক্কীনি। মেদিয়েসনগী খুথাঙদা লৈখাই তানবা য়ারবদি মদু তৌবিয়ু। অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং টেলঙ্গনা গভর্ণমেন্টকী কাউসেলশিংদা মহাক্না হায়, মেদিয়েসনগী ৱাফম ওইরবদি ঐখোয়না মতেং পাংবা ঙমই, মদু নৎত্রবদি মেট্টর অসি অতোপ্পা বেঞ্চতা ত্রান্সফর তৌরগনি।

অন্ধ্র প্রদেশ রিপ্রজেন্ট তৌরিবা সিনিয়র এদভোকেট দুশ্যন্ট দাভেনা মেট্টর অসিগী মতাংদা ইন্সট্রক্সন ঙাইবগী মতম খরা পীবিনবা হায়জখি। মদুদা চীফ জষ্টিসনা হায়খি, নখোয়নীমক্না নখোয়গী গভর্ণমেন্টশিংবু ৱাখল তাহন্দুনা মেট্টর অসি লৈখাই তানবনা ফগনি। কান্নদবদা ঐখোয়না খুৎ থিংজিনবা পামদে।

অন্ধ্র প্রদেশ গভর্ণমেন্টকী প্লি অদুনা হায়, অন্ধ্র প্রদেশ রিওর্গনাইজেসন এক্ট, ২০১৪গী মখাদা শেম্বা এপেক্স কাউন্সিলনা লৌবা ৱারেপশিং অমসুং এক্ট অসিগী মখাদা শেম্বা কৃষ্ণ রিভর মেনেজমেন্ট বোর্দ (কে আর এম বি)গী দিরেক্সনশিং অমসুং সেন্টরগী দিরেক্সনশিং টেলঙ্গনানা ইল্লু য়াদ্রে।

প্লি অদুনা মখা তানা হায়, সেক্সন ৮৭ (১)গী মখাদা সেন্টরনা নোটিফাইদ তৌবা ৱাফমশিংগী মতাংদা কে আর এম বিনা মসিগী পাৱর শীজিন্নবা য়াই। তৌইগুম্বসুং হৌজিক ফাওবদা অসিগুম্বা নোটিফিকেসন থোকপা লৈত্রি।

কে আর এম বিগী জুরিসদিক্সন খঙহন্নবগী নোটিফিকেসন থোক্ত্রিঙৈসিদা টেলঙ্গনানা চত্থরিবা থৌওং অসিনা অন্ধ্র প্রদেশপু ঈথৈ লৌখোং অমসুং অতে হিরমশিংদা শীজিন্নগদবা ঈশিং ফংহন্দ্রে হায়না প্লি অদুনা মখা তানা হায়খি। টেলঙ্গনানা পাৱর জেনরেসনদা শ্রীসাইলাম দাম প্রোজেক্টকী ঈশিং শীজিন্নবা অসিনা রিজার্ভর অসিগী ঈশিংগী চাংসু য়াম্না হন্থরে হায়নসু প্লি অদুদা পনখি।

## প্রসিদেন্ট কোভিন্দ টামিল নাদু এসেমব্লিগী সেন্টিনরি সেলেব্রেসন য়াওগদৌরি

চেন্নাই, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দ টামিল নাদু লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেন্টিনেরি সেলেব্রেসন য়াওনা তোঙান তোঙানবা প্রোগ্রামশিংদা শরুক য়ানবা নুমিৎ মঙাগী খোঙচৎ অমদা নিংথৌকাবা নুমিৎতা চেন্নাইদা থুংলরগনি।



টেন্টেটিভ সেদ্যুলগী মতুং ইন্না, প্রসিদেন্ট কোভিন্দ নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুংথিল পুং ১২.৪৫ রোম তাবদা চেন্নাইদা থুংগনি অমসুং রাজ ভবনদা লৈগনি। মহাক্না নুংথিল পুং ৫ তাবদা মদ্রাস লেজিসলেটিভ কাউন্সিল হায়না খঙনরম্বা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী সেন্টিনরি সেলেব্রেসনদা শরুক য়াগনি। কোভিন্দনা ফোর্ট সেন্ট জোর্জদা লৈবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লি হোলদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর লৈখিদ্রবা এম করুনানিধিগী পোট্রেট মায়খুম হাংগনি। থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দ, গভর্নর বানৱারিলাল পুরোহিট, স্পিকর এম অপ্পাভু অমসুং চীফ মিনিষ্টর এম কে ষ্টেলিননা ৱা ঙাঙগনি।

প্রসিদেন্ট কোভিন্দনা ওগষ্ট ৩দগী ৫ ফাওবদা দিফেন্স সর্ভিসেস ষ্টাফ কোলেজ, ৱেল্লিংটনদা পাঙথোকপা প্রোগ্রাম কয়াদা শরুক য়াগনি অমসুং রাজ ভবন উটিদা লৈগনি। মহাক ওগষ্ট ৬তা উটিদগী ন্যু দেল্লী পাংগনি।

সেন্টিনরি সেলেব্রেসন অদুগা মরী লৈননা টামিল নাদু এসেমব্লি সেক্রেটরিএটনা সুভিনির অমা ফোঙগনি। সুভিনির অদুদা সোসল রিফোর্মশিংগা মরী লৈননা কুমজা ১৯২১দগী এসেমব্লিনা ইনেক্ট তৌখিবা তোঙান তোঙানবা লেজিসলেসনশিং য়াওগনি। টামিল নাদুনা হৌজিক্কী ফিভম অসি য়ৌরকখিবদা দ্রভিদিয়ন মুভমেন্টনা লৌখিবা থৌদাংসু সুভিনির অদুদা হায়লাইট তৌগনি।

ষ্টেট অসিগী মমাঙগী চীফ মিনিষ্টরশিংগী প্রোফাইলশিং অমসুং ষ্টেট অসিগী ইনাক খুল্লবা কলচরসু সুভিনির অদুদা হায়লাইট তৌগনি।

প্রসিদেন্টকী খোঙচৎ অদুগীদমক্তা টামিল নাদু পুলিস শেম শাদুনা লৈখ্রে অমসুং ষ্টেট শীন-থুংনা সিক্যুরিটিগী চেকশিন থৌরাং কনখৎখ্রে।

## দিপক দাসনা অনৌবা কনট্রোল্লর জেনরেল ওফ একাউন্ট্স ওইরে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

কুমজা ১৯৮৬ বেচকী ইন্দিয়ন সিভিল একাউন্ট্স সর্ভিস (আই সী এ এস) ওফিসর দিপক দাসনা নোংমাইজিং নুমিৎতা অনৌবা কনট্রোল্লর জেনরেল ওফ একাউন্ট্স (সী জি এ)গী চার্জ পুখ্রে।

দাস সী জি এগী পোজিসন অসি পায়বা ২৫শুবা ওফিসরনি। ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা কুমজা ১৯৮৬ বেচকী আই সী এ এস ওফিসর দিপক দাস কনট্রোল্লর জেনরেল ওফ একাউন্ট্স (সী জি এ), দিপার্টমেন্ট ওফ এক্সপেন্দিচর, মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী ফম অসি হাপ্লে। মসি ওগষ্ট ১, ২০২১দগী চৎনগনি।

মহাক্না চহী ৩৫ থবক তৌরকপদা সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, ইনভাইরনমেন্ট এন্দ ফোরেষ্ট, দিপার্টমেন্ট ফোর প্রমোসন ওফ ইন্দষ্ট্রি এন্দ ইন্টর্নেল ত্রেদ এন্দ হেভি ইন্দষ্ট্রিজ, কম্মর্স এন্দ টেক্সটাইল, এগ্রিকলচর এন্দ ফারমর্স ৱেলফ্যের, রোদ ত্রান্সপোর্ট, হায়ৱেজ, শিপ্পিং, হোম এফ্যের্স এন্দ সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টম্সকুম্বা মিনিষ্ট্রিশিংদা তোঙান তোঙানবা থাকশিংদা মরুওইবা ফমশিং পায়খি।

মহাক ইন্দিয়ন সিভিল একাউন্ট্স সর্ভিসকী ত্রেনিং একাদেমি ওইরিবা ইন্সটিট্যুট ওফ গভর্ণমেন্ট একাউন্ট্স এন্দ ফাইনান্স (আই এন জি এ এফ) কী দিরেক্টরসু ওইখি।

সেন্ট্রেল দেপ্যুটেসনদা লৈরিঙৈদা দাসনা মরু ওইবা পোর্টফোলিও কয়া পায়খি। মহাক্না মিনিষ্ট্রি ওফ দিফেন্সতা দেপ্যুটি সেক্রেটরি অমসুং দিরেক্টর ওইনা থবক তৌখি।

## ইন্দিয়ন আর্মি, চাইনিজ পি এল এনা অমগা অমগা থাজনবা হেনগৎনবা হোটলাইন শেমখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোল পরিংদা মখল খুদিংগী খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং থোকহন্দনবগীদমক্তা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ)না নোংমাইজিং নুমিৎতা নোর্থ সিক্কিম রিজনদা হোটলাইন অমা শেমখ্রে।

ইন্দিয়ন আর্মিনা ষ্টেটমেন্ট অমদা হায়, বোর্দর পরিংদা অমগা অমগা থাজনবা হেনগৎনবা অসুং মরুপ-মপাং ওইবগী মরী হেন্না চেৎশিন্নবা নোর্থ সিক্কিমগী কোঙ্গ্রা লাদা বেজ ওইবা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং টিবেটান ওটোনোমস রিজনগী খাম্বা জোংদা বেজ ওইবা পি এল এগী মরক্তা হোটলাইন অমা শেল্লে। ইন্দিয়ন আর্মিগী ষ্টেটমেন্ট অসিগী মতুংইন্না, পি এল এ দে ওগষ্ট ১দা নাকল অনীনা খোঙথাং অসি লৌখৎখিবনি।

ফোর্স অসিনা মখা তানা হায়, লৈবাক অনীগী আর্মদ ফোর্সশিং গ্রাউন্দ কম্মান্দরশিংগী থাক্তা কম্যুনিকেসন তৌননবগী মেকানিজম কয়া লৈ। তোঙান তোঙানবা সেক্টরশিংগী হোটলাইনশিং অসিনা কম্যুনিকেসন ফগৎহনবা অমসুং বোর্দরদা মরা তপ্পা ফিভম লৈহনবদা মতেং পাংলগনি।

মমাঙদা চহী অসিগী জন্যুৱারী ২০দা নোর্থ সিক্কিমগী অৱাংবা মফম নাকু লাদা ইন্দিয়ন আর্মি অমসুং চাইনিজ ত্রুপশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবদা নাকল অনীমক্তা লান্মী কয়া শোকখি। চাইনিজ ত্রুপশিংনা ইন্দিয়ন টেরিটরিদা চঙশিন্নবা হোৎনরকপদা ইন্দিয়ন ত্রুপশিংনা থিংলুবদগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। অকল অরিং শীংলকপগী থৌওংশিংদা পাউখুম পীনবা ইন্দিয়ন আর্মিনা মুৎকুপ নাহুম শিংনা লৈদুনসু পি এল এনা লাইন ওফ একচ্যুএল কন্ট্রোল পরিংদা অকল-অরিং শীংবগা লোয়নননা মখোয়গী অপাম্বা থৌওংশিং চত্থনবা হোৎনদুনা লাকখি। মুক্লবা অদু ইষ্টাব্লিস প্রোটোকোলশিংগী মতুংইন্না লোকেল কম্মান্দরশিংনা লৈখাই তানখি।

মমাঙ চহীগী মে ৯দসু লৈবাক অনীগী ত্রুপশিংনা নাকু লাদা খুৎ থোক্লখি। থৌদোক অদুদা নাকল অনীমক্তা লান্মী কয়া শোকখি। মদুগী মমাঙদা পি এল এনা ইন্দিয়ন টেরিটরিদা চঙশিন্নবা কয়ারক হন্না হোৎনরকপদগী মে ৫-৬তা ইষ্টর্ন লদাখতা নাকল অনীগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্লখি। থৌদোকশিং অসিগী মতুং কুমজা ২০২০গী জুন ১৫দা গলৱানদা নাকল অনীগী ত্রুপশিংগী মরক্তা নোংমৈ য়াওদনা খুৎ থোক্লবদা ইন্দিয়ন লান্মী ২০ অমসুং চাইনিজ লান্মী মরি শিখি।

## কৈনা এটেক তৌবদা লেবরর শোক্লে

লখিমপুর খেরি, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

কৈনা এটেক তৌবগী থৌদোক অমদা উত্তর প্রদেশকী লখিমপুর খেরিদা লেবরর নহা অমা শোকখ্রে।

থৌদোক অদু নোংমাইজিং নুমিৎতা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দোকারপুর ভিলেজদা থোকখিবনি। লেবরর কামলেশ কুমারনা মহাক্কী লৌবুক্তা লেবরর গ্রুপ অমগা থবক শৃমিন্নরিঙৈদা কৈ অদু মঙোন্দা চোংশিল্লকখিবনি।

মহাক্না লাউ খোংবগী খোঞ্জেল তাবদা অতে লেবররশিংদু চৈ পায়দুনা অমসুং লাউদুনা মহাক্কী মনাক্তা চঙশিনখি। মখোয়দু উবদা কৈ অদু ফোরেষ্ট এরিয়াদা চেনশিনখি। থৌদোক অদুদা কামলেশ মনঙ্গন্দা শোকখি। মহাক কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টরদা পুখৎতুনা লাইকন্নখি। মহাক্কী ফিভম মিপাইনিংঙাই ওইদে হায়না দোক্টরনা ফোঙদোকখি।

মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা, কৈ অদু দুধৱা ফোরেষ্টতগী হাইদোরক্লগা চু থাবা লৌবুক্তুদা লোৎতুনা লৈশিনখিবা মাল্লি। লোকেল মীওইশিংনা শা অসি কয়ারক হন্না উখি। কৈ উবগী মতাংদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টতা খুঞ্জাশিংনা পাউ তোয়না পীখ্রবসু ওফিসলশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎপিদে হায়না লোকেল মীওই অমনা ফোঙদোকখি।

## কেরলাদগী টামিল নাদুদা লাকপশিং কোভিদ-১৯ নেগেটিভ রিপোর্ট চঙলগনি

চেন্নাই, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

কেরলাদগী টামিল নাদুদা লাকপা মীওইশিং ওগষ্ট ৫দগীদি আর টি-পি সী আর টেষ্ট নেগেটিভ রিপোর্ট পুথোক্ত্রবদি চঙবা য়াররোই হায়না টামিল নাদুগী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর মা সুব্রমানিয়ননা ফোঙদোকখ্রে।

ট্রান্সপোর্ট মোদ খুদিংমক্কী ওইনা কেরলাদগী লাকপা খুদিংমক্না আর টি-পি সী আর নেগেটিভ রিপোর্ট পায়গদবনি। চেরোল অসিগী মতুংইন্না, ৱেভিন্যু, মেদিকেল অমসুং পুলিস দিপার্টমেন্টনা মী চঙথোক চঙশিনশিং চেক তৌগনি অমসুং কেরলাদগী লাকপশিং ওইরবদি আর টি-পি সী আর টেষ্ট নেগেটিভ রিপোর্ট পায়বা মীওইশিংদমক টামিল নাদুদা চঙবা য়াহনগনি। সর্টিফিকেটশিং অদু বোর্দর চেক পোষ্ট ১৩দা ভেরিফাই তৌগনি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা কোভিদ-১৯ কেস মশিং হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা লায়না শন্দোরকপা ঙন্না থিংহৌনবা ৱারেপ অসি লৌখিবনি। থৌরাং অসি ওগষ্ট ৫দগী চৎনহনবগী মরমদি কোভিদ টেষ্ট তৌনবা মীয়ামদা পীবনি।

চৈরকসিদা মিনিষ্টর সুব্রমনিয়ননা নোংমাইজিং নুমিৎতা চেন্নাই এয়রপোর্ট ইন্সপেক্সন তৌখ্রে। মহাক্না হায়, ইন্টরনেসনল অমসুং দোমেষ্টিক অনীমক্কী পেসেঞ্জরশিং করম্না স্ক্রিনিং অমসুং টেষ্ট তৌবগে হায়বদু খঙদোক্লবা খোঙচৎ অদু পাঙথোকপনি।

চেরোল অদুনা হায়, কেরলাদা কোভিদ কেস মশিং হেনগৎলক্লি। লায়না শন্দোরকপা থিংনবা গভর্ণমেন্টনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লাক্লবসু টামিল নাদুদা লাকপশিং চেক তৌনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা ৱারেপ লৌরকপনি।

ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপ্লবা মীওইশিংনা ভেক্সিনেসন সার্টিফিকেট উৎকদবনি। অনীশুবা দোজ অদু এন্ট্রি তৌগদবা নুমিৎ ১৪নি মাঙওইননা কাপ্পা ওইগদবনি।

হৌজিক লন্দন, ব্রাজিল, সাউথ-অফ্রিকা, য়ুরোপ অমসুং ৱেষ্ট এসিয়াদগী লাকপা ইন্টরনেসনল পেসেঞ্জরশিং হেক থুংবগা থর্মেল স্ক্রিনিং অমসুং আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌহল্লি। এয়রপোর্টতা লৈরিবা লেবনা পুং মরিগী মনুংদা রিজল্ট পীবা ঙমই। চেন্নাই এয়রপোর্টতা চয়োল অসিদগী রেপিদ আর টি-পি সী আর টেষ্ট পাঙথোক্লবগী ফেসিলিটি থম্লগনি।

## চৎনহন্দ্রবা সেক্সনগী মখাদা কেস লৌখৎপা লেপ্পবা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লী, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

সুপ্রিম কোর্টনা চৎনহনখিদ্রবা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই টি) এক্টকী সেক্সন ৬৬ এগী মখাদা মীওই কয়া বুক তৌবা লেপত্রি হায়না কমপ্লেন তৌরকপা প্লি অমগা মরী লৈননা এপেক্স কোর্ট অসিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরি (য়ু টি) শিংদা নোটিস থাখ্রে।

হায় কোর্ট খুদিংমক্কী রেজিষ্ট্রার জেনরেলদা নোটিস থানবা অমসুং চয়োল মরিগী মতুংদা মখা তাবা হিয়রিং চত্থনবা মেট্টর অদু লিষ্ট তৌনবা জষ্টিস আর এফ নারিমান অমসুং জষ্টিস বি আর গাভাইগী বেঞ্চ অমনা দিরেক্সন পীখি।

সুপ্রিম কোর্টনা চৎনহনখিদ্রবা আই টি এক্টকী সেক্সন ৬৬এগী মখাদা কেস লৌখৎপা থিংবা হায়বসি ষ্টেটশিং অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংগী মথৌনি হায়না সেন্টরনা তোপ কোর্ট অসিদা হায়খি।

ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজি (আই টি) এক্টকী ক্লাশ তৌখ্রবা সেক্সন ৬৬এগী মখাদা হৌজিকসু মীওই কয়া বুক তৌবা লেপ্পুবা অসি অৱাবগী মশক্নি হায়না থা অসিগী অঙনবদা সুপ্রিম কোর্টনা ওবজার্ব তৌখিবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎকী হিয়রিংদা বেঞ্চ অসিনা হায়, জুদিসিয়রিগী ৱাফম অসি তোঙান্না য়েংশিনবা য়াই। তৌইগুম্বসুং সেক্সন অসিগী মখাদা চার্জ তৌবা লেপ্পুবা পুলিস ময়ামসু লৈরি।

সেন্টরনা এফিদেভিট অমদা হায়, কন্সটিট্যুসনগী মতুংইন্না 'পুলিস' অমসুং 'পব্লিক ওর্দর' হায়বসি ষ্টেট সবজেক্টশিংনি অমদি ক্রাইম দিটেক্সন, প্রিভেন্সন, ইনভেষ্টিগেসন অমসুং প্রোসিক্যুসন অমসুং পুলিস পর্সনেলশিংগী কেপাসিটি শেমগৎপা হায়বসি ষ্টেটশিংগী মরু ওইবা থৌদাংনি।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মতুং ইন্না, ষ্টেট ২১ অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটরিশিংনা ইনফোর্মেসন এন্দ টেক্নোলোজি মিনিষ্ট্রিদা লেট্টর ইদুনা কুমজা ২০১৫গী জজমেন্ট অদু কমপ্লাই তৌই হায়বসি খঙহল্লকপা লৈখ্রে।

## এক্স-এম এল এগী মচানুপাদা নোংমৈ কাপ্তুনা এটেক তৌখ্রে

পটনা, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

বিহারগী বঙ্ক দিষ্ট্রিক্টতা রাষ্ট্রিয় জনতা দলগী এম এল এ ওইখিবা অমগী মচানুপা নোংমৈনা কাপ্তুনা এটেক তৌখ্রে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

কটোরিয়াদগী কাবা হান্নগী এম এল এ ভোলা য়াদবকী মচানুপা প্রফুল চান্দ য়াদব নোংমাইজিং নুমিৎতা নোংমৈনা কাপখিবনি। থৌদোক অদু প্রফুলনা কুশমাহা ব্লোকতগী বৌন্সিদা হল্লকপদা থোকখিবনি। মহাকপু মহুৱাৱারন জব্রা ভিলেজগা নক্লবা মফম অমদা খুৎলায় পায়বা মশক খঙদবা মীওইশিংনা থৎখি অমসুং মঙোন্দা নোংমৈ মরু অহুম কাপশিনখি হায়রি। নোংমৈ মরু অহুমদুগী মনুংদা অমা য়াদবকী নিংজোলদা পানখি। থৌদোক অদুগী মতুংদা এটেক্করশিং অদু অমম্বগী খুদোংচাবা লৌরগা মফম অদদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখি। ভিক্টিম মশামক্না থৌদোক অদু ফোন তৌদুনা মপাদা খঙহনখি। ঙাইহাক্কী মনুংদা সপোর্টর কয়ামরুম মফম অদুদা চঙশিল্লকখিবগা লোয়নননা মহাকপু খুদক্তা হোস্পিটালাইজ তৌখি।

## মীচমশিং ফাজিনবগী মরাল শীখ্রে

শ্রীনগর, ওগষ্ট ০২ (এজেন্সী):

মিলিটেন্টশিং গাড়িদা হাপ্তুনা থিন্দোক থিঞ্জিন তৌখিবা জম্মু এন্দ কাশ্মির পুলিসকী হান্নগী ওফিসর দবিন্দর সিংহাবু সেন্টরনা মরাল লৈতবা মীওই অমগুম থাদোক্লগা মরাল লৈজদবা কাশ্মিরি কয়াবুনা এন্টি-টেরর লোশিংগী মখাদা চহী কয়া জেলদা থন্বীরি হায়না পি দি পিগী প্রসিদেন্ট মেহবুবা মুফতিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

গভর্ণমেন্টপু মরৈ অনী লোঙনা ৱা ঙাঙই হায়না মরাল শীরদুনা মেহবুবা মুফতিনা হায়খি, কাশ্মিরিশিংবু এন্টি-টেরর লোশিংগী মখাদা ফাজিন্দুনা থল্লিবসি মখোয় মরাল লৈতে হায়বসি প্রুফ তৌদ্রি ফাওবদি মরাল লৈবা মীশকশিং ওইনা লৌবগা চপ মান্নে।

ত্বিট অমদা হান্নগী সী এম অসিনা হায়খি, মরাল লৈজদ্রবা কাশ্মিরিশিং চহী কয়া জেলদা নমশিন্দুনা থন্বীরি। মখোয়গীদমক্তদি ৱায়েল হায়বসি পনিসমেন্টগা পাঙ্খক ওইরে। তৌইগুম্বসুং গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মিলিটেন্টশিংগা চৎমিন্নরিঙৈদা ফাখিবা পুলিস ওফিসর অমগী মায়োক্তদি ইনক্কারি চত্থবা পামদে। মসিগী মরমদি মহাক্না লৈবাক অসিদা চৎনরিবা অরানবা সিষ্টেম অসিগা য়াশিন্নবা লৈবদগী। গভর্ণমেন্টকী থবক থিরুবগী ওইরবসু নৎত্রগা পাসপোর্ট অমা ফংনবা হোৎনবগী ওইরবসু কাশ্মিরিশিংবু খ্বাইদগী শাথিবা মওংদা স্ক্রুটিনি তৌই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।


### ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792
HL-B/7035/15/7-15/9



### ꯑꯄꯨꯟꯕꯒꯤ ꯃꯉ꯭ꯒꯜ
### APUNBAGEE MANGAL
### VILLAGE LEVEL FEDERATION
### অৰাবা ফোঙদোকপা



Manipur State Rural Livelihoods Mission গী মখাদা লৈবা Apunbagee Mangal VLF (Village Level Federation), Keikol অসিদা Executive Member (EC) ওইরম্বী Yaikhom (O) Kabita Devi না মনুং মতম চাদনা ইঙেনগী ২২ নি পানবা ইরাই নুমীৎ তাং ৩০/০৭/২০২১ অসিদা লৈখিদ্রে। মহাক্না লৈখিদবা অসিদা Apunbagee Mangal VLF, Keikol গী Self Help Group Member শিংনা থম্মোয় শোক্না নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোক্লি। মহাক্না লৈখিদবসি Apunbagee Mangal VLF, Keikol গী ওইনা অচৌবা মাঙজবনি। মহাক্না লৈরিঙৈ মতমদা Self Help Group অসিদা থৱায় য়াওজদুনা VLF অসিগী EC ওইদুনা চাওরবা থৌদাং কয়া লৌবীরম্মী। মহাক্না লৈতবা অসিদা VLF অসিগী মেনশিনবা ঙমদবা অহাঙবা অমদি লৈহৌরগনি। ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু VLF অসিনা শরুক য়াজরি। মহাক্কী আত্মানা ঈংনা-চিক্না লৈনবগীদমক VLF কী Self Help Group Member পুম্নমক্না থৌনীজরি।

Sd/- **Sapam Indubala Devi**
Secretary, Apunbagee Mangal VLF, Keikol
HL-P/9827/3



### ꯑꯔꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄꯥ/ অৰাবা ফোঙদোকপা



হৌখিবা তাং ৩০ জুলাই ২০২১ ইং, অসিদা Ucheckon Youth Atheletic Club (UYAC) Kongba Ucheckon গী হৌজিক-হৌজিক Advisor গী থৌ পুবীরম্বা (L) Konsam Surkumar অপোকপা (L) K. Modhu না মনুং-মতম চাদনা ঈশ্বরগী খূয়াখাদা তিনখ্রে। মসিদা UYAC Club কী মেম্বরশিংনা থম্মোয় শোক্না নহাক্কী মফমদা ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়নননা মহাক্কী থৱায়না ঈংনা-চিক্না ঈশ্বরগী খূয়াদা তিঞ্জরুনবা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকমিন্নখি অমসুং নুংশিরবা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা :
**UYAC Club** কী মেম্বরশিং
HL-P/6384/3



### ꯐꯤꯔꯣꯢ / ফিরোই



হৌখিবা চহীদা লৈখিদ্রবা ঐখোয় পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা লাইরমলেনদা তিনখ্রবা **শ্রীকাংঙবমঁ খেল সিংহ**-গী চহীগী কুমওন ফিরোই লাক্লিবা তাং ০৫/০৮/২০২১ ইং, ইঙেনগী ২৭নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীহরিগী অগ্রহদা কচ্চগদৌরি।

হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী ফীভম অসিনা থৌরম অসি ইমুং-মনুংতগী ওইনা পাঙথোকচরগনি, অদুনা ব্রাহ্মন-বৈষ্ণব, অহল-লমন অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিক্লা নিমন্ত্রণ য়ৌবীরকপা অমদি য়ৌবীরক্তবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

**বিনিতগণ ঃ-**
**কাংঙবম শামু সিংহ ( অপোকপা মপা)**
**কাংঙবম ওংবী পদমো দেবী (অপোকপা মমা)**
**কাংঙবম ওংবী শোরোধোনী দেবী (লোয়নবী)**

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। কাংঙবম ওংবী থাম্না দেবী | (মতৈমা) | ১। কাংঙবম অরুনকুমার সিংহ | (ময়াম্বা) |
| ২। কাংঙবম ওংবী গীতা দেবী | (মনাওনুপী) | ২। কাংঙবম অনিল সিংহ | (মনাওনুপা) |
| ৩। কাংঙবম ওংবী গৌতম্নী দেবী | (মনাওনুপী) | ৩। কাংঙবম কান্ত সিংহ | (মনাওনুপা) |
| ৪। ডা: কাংঙবম বীদ্যলক্ষমী দেবী | (মচানুপী) | ৪। কাংঙবম অমরজীৎ মৈতৈ | (মচানুপা) |
| ৫। ডা: কাংঙবম জীনা চনু | (মচানুপী) | ৫। কাংঙবম রুহীট সিংহ | (মচানুপা) |
| ৬। কাংঙবম দীব্যক্ষমী দেবী | (মচানুপী) | ৬। কাংঙবম পুরুস কান্ত সিংহ | (মচানুপা) |
| ৭। কাংঙবম পোলিবীয়া দেবী | (মচানুপী) | ৭। কাংঙবম জোন্সিনা সিংহ | (মচানুপা) |
| ৮। কাংঙবম রেসমীকা দেবী | (মচানুপী) | ৮। কাংঙবম কৃষ্ণ কান্ত সিংহ | (মচানুপা) |

থৌরম পরেং:-
অয়ুক পুং ৮:০০ - লুক অরতি কৎপা
অয়ুক পুং ৯:০০ - প্রসাদ সেবনম

**শগোলবন্দ কাংঙবম লৈকাই, ইম্ফাল**
HL-P/6383/3


## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Manipur | 99,331 +832 | 87,360 +957 | 1,566 +10 |
| Maharashtra | 63.1L +6,479 | 60.9L +4,110 | 1.33L +157 |
| Kerala | 34.1L +20,728 | 32.3L +17,792 | 16,837 +56 |
| Karnataka | 29.1L +1,875 | 28.5L +1,502 | 36,587 +25 |
| Tamil Nadu | 25.6L +1,990 | 25.1L +2,156 | 34,102 +26 |
| Andhra Pradesh | 19.7L +2,287 | 19.3L +2,430 | 13,395 +18 |
| Uttar Pradesh | 17.1L +35 | 16.9L +76 | 22,763 +7 |
| West Bengal | 15.3L +701 | 15L +827 | 18,149 +13 |
| Delhi | 14.4L +85 | 14.1L +83 | 25,054 +1 |
| Chhattisgarh | 10L +214 | 9.87L +157 | 13,525 +1 |
| Odisha | 9.79L +1,437 | 9.59L +1,773 | 5,966 +64 |
| Rajasthan | 9.54L +21 | 9.44L +19 | 8,954 |
| Gujarat | 8.25L +23 | 8.15L +21 | 10,076 |
| Madhya Pradesh | 7.92L +17 | 7.81L +14 | 10,513 |
| Haryana | 7.7L +29 | 7.6L +23 | 9,638 +3 |
| Bihar | 7.25L +45 | 7.15L +66 | 9,644 +1 |
| Telangana | 6.45L +455 | 6.33L +648 | 3,805 +3 |
| Punjab | 5.99L +26 | 5.82L +55 | 16,294 +1 |
| Assam | 5.67L +784 | 5.49L +1,449 | 5,275 +15 |
| Jharkhand | 3.47L +27 | 3.42L +24 | 5,129 +1 |
| Uttarakhand | 3.42L +22 | 3.34L +45 | 7,362 |
| Jammu and Kashmir | 3.22L +145 | 3.16L +109 | 4,379 +1 |
| Himachal Pradesh | 2.06L +134 | 2.01L +122 | 3,521 |
| Goa | 1.71L +59 | 1.67L +105 | 3,148 +1 |
| Puducherry | 1.21L +90 | 1.18L +70 | 1,795 |
| Tripura | 78,722 +139 | 74,875 +529 | 755 |
| Meghalaya | 65,589 +589 | 58,450 +501 | 1,096 +11 |
| Chandigarh | 61,954 +1 | 61,113 +2 | 811 |
| Arunachal Pradesh | 48,260 +138 | 44,354 +415 | 231 +2 |
| Mizoram | 39,363 +438 | 27,024 +637 | 150 |
| Nagaland | 27,945 +73 | 26,031 +54 | 570 +4 |
| Sikkim | 26,754 +206 | 22,955 +151 | 345+1 |
| Ladakh | 20,340 +2 | 20,076 +1 | 207 |
| Lakshadweep | 10,195 +6 | 10,070 +15 | 50 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,539 +2 | 7,403 +3 | 129 |